থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

নমদুনা ভেক্সিনেসন তৌগনি হায়বদুমদি হায়বীনু

কোভিদ-পোজিটিভ ওইরবা, কোরোনা লাইচৎসিনা নারবা অনাবা অমনা, লায়েংশঙগী নাইতোম লৈবা কা অমগী ফমুংদা ফল্লগা ইরিবা পাউদম অমনি - অদোম্না হৌজিক পাবীরিবা। থাজদবা মীকুপ অমদা হকচাংসিদা চঙশিল্লকখিবা শকউদ্দবা মহীক অদুনা ঐঙোন্দা অমদি ঐগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা পীররিবা অকনবা চৈথেং অসি, তম্লদুনা কান্নরোই। চৈনা ফংলবা মহাক্তুদনা ফাওবীগদবা ফীলিংনি। পাউ ওইনদি পুম্নমক্না তানরিবা কৌবনা-লায়না অসিনা ঐখোয়দা কয়াম কনবা চৈনা অমা ওইহল্লবনো হায়বদি পূক্নিংসিদা ফাওনরবা মাল্লি। হোস্পিটালদা মিং চন্দুনা লৈরকখিবা নুমিৎতগী সোসল মীদিয়াগী কোভিদ-১৯ পাউঅমত্তা হন্না য়েংলরোইখন্না য়েংলকখিদ্রবনি। 'কনামত্তগী ৱা তাররোই, ঐবু লায়েঙলিবা ডাক্তর অমদি ঐবু কুপশেন শেন্নরিবা নর্সশিংগী মৱা নত্তনা... মরুপ-মপাং অমদি ইচাশিংনা কন্না হায়বদগী লৌখিবা ফিরেপ'নি। চরাঙনবা পূক্নিং লাকশিনবদা কান্নবা পান্থে অমা ওইখি। চিঞ্জাক্না হেনগৎহনবা ইম্যুন নত্তবা, ৱাখল অমদি পূক্নিংনা হাপকৎলকপা ইম্যুনিতিগী মপাঙ্গল-হকথেংননা ফংখি ঐ। অনাবনা পীক থল্লম্না কোভিদ-জেনরেল-মেল-ৱার্দ অদু নেগেটিভ রিপোর্ট লাক্লে হায়দুনা, অকোয়বদা লৈরম্না ফমুং মঙা-তরুক হাঙলকপদুদা পূক্নিংসিদা চাউথোকচখি- 'হয়েংদি ঐগী পালি লাক্তুনা য়ূমদা হনবা ফংলনি'।

অদুবু, নুমিত্তুগী নুমিদাংৱাইরম, চনীং তানা নিংশা-শ্বর হোনবা ঙমদ্রবা, ফীভম কায়না লোক-কংখু খূরিবা মখোয় খরা অমুক পুখৎলক্তুনা, হান্নগী ফীভমদুদই হেন্না শাথীরবা, য়েংহৈদ্রবা ফীভমদুদা অমুক হঞ্জিল্লক্লে। মান্নদবা, ফীভম শোক্লবা নিংশা-শ্বর-খূৎহোন মখল তরানিথোইনি ঐনা ওবজার্ভতৌরকখিবা। ওক্সিজেন-সপোর্টয়াওরমদবা ঐহাকসু ওক্সিজেন-মাস্ক উপ্তুনা তূপ্না ঙমদৌ মাল্লক্লে। ইদোম তূমিন লৈনীংলক্লে।

প্রাইভেট-দিলক্স রুম'দা হোংদোক্লবা তুংদদি - তাররোই খল্লুরবা পাউদু অমুক তানীংলক্লে। লৈবাকসিবু কমদৌরিবা জাৎনো? 'গেট ৱেল' মেসেজ থারকপা মরুপ-মপাং অয়াম্বনসু, মাগী মাগী লৈকায়দু 'কোভিদ রেদ-জোন' (হোট স্পোট) ওইরকপগী পাউ, হেক হেক নপশিল্লকপ'দুনসু অয়াম্বনি - ডাক্তর কমল' গী মাধবী'দা কাপ্পি'গী মপাউ তানীংখিবদুগুম ঐনসু, মণিপুরদা লৈনা লৈনা মণিপুরগী কোভিদ মপাউ তানীংখিবা। ৱাটচএপ একাউন্টতু হেক হাংদোক্লুবদা থেংনরুই - আই এস টি ভিগী সুনিলগা ওনরেবল সী এমগা শানবা ৱারী মতেক অমখক। মণিপুরদা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯-পেন্দমিক'কী ফীভমসি তশেংনমক নুংনাংনীংঙাই ওইরক্লবনি, তরায়না লৌবা য়াদ্রবা। নারবা মী লায়েংবগী থবক পায়খৎলিবা লৈঙাক্কী থৌরাংসিবুদি অফ-ফত্ত/অপেন-পেন্দ পুম্নমক্না উন্নরে। পেনবগী ৱাদি চীফ মিনিষ্টর মশামকফাও পেল্লমগনি হায়বা থাজদে, বি জে পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্টে কনবা ঙমহৌদ্রিবনি। হেল্থ-ৱার্কর/ডাক্তরশিংনা ঙমজবা থাক্ত হোৎনরিবা, মথ্বায় ফাওবা মাঙবা য়াওখ্রিবদুগী খল্লুরগা মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎপীদা য়াদবা, থাগৎপীদ' য়াদবগী থাগৎপনি। লায়রবা মীয়ামসিনা অনা লায়েং চখবদা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং (খুদোংচাদবদু হায়হনবীরনু), গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল অমদি প্রাইভেট-হোস্পিটাল, অনীগী মরক্ত লৈরিবা খেন্নবশিং - গভর্ণমেন্ট'না মপু ওইবা হোস্পিটালশিং, খ্বাইদই হৈবা ডাক্তর থন্না লৈরবসু শেল তিংনা প্রাইভেট-হোস্পিটালতদা পুনীংলিবা... কোরোনাগী মতমসিদা খক্তদি মান্নবা থাক্কী লায়েং ফংগনি হায়বগী থাজবদুতং পোকহনবীরবদি লৈবাক ঙাকপা হৈবা লৈঙাক অমা লৈরে হায়বা ৱাখলদুমসু ফাওরম্না য়াবনি। লাইবক থীবনি। মদুমক্তি ওইখিদ্রে। লায়েংবগী থবক (ক্যুরেটিভ মিজর) অদোমদা নীংবা থুংদবা খরা লৈরবসু, লায়না অসি শন্দোরকপা থিংনবা, প্রিভেন্টিভ মিজর লৌখৎপগী মতাংদা সী এম'গা সুনিলগা শানখিবা ৱারীদু তারুবদগী ঐখোয়গী লৈবাকসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ সিষ্টম, কয়ামুক ইফেক্টিভ ওইরমখিদ্রবা! কয়ামুক মথোঙ হুক্লমখিদ্রবা! হায়বদু ইথন্তা খঙজরকখি। ... 'কর্ফিয়ু য়েংবা থোকপা ... কর্ফিয়ু মনুংদা মীওই খরা পূল্লগা চাকচা-হৈজানবা-থকপা-চাবা তৌদুনা লৈবগী হৈনবী থাদোকপা ঙমদবা, ৱাখল য়াওদবা মীয়ামসিগী মথক্তা ফোর্স শীজিন্নদুনা ৱারক-ৱাতেম তৌবগী তঙাইফদ্দবা তানফম অদু লাক্লে' ... হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু তাবদা ঐহাক ঙকপনা থেংখি। 'সি য়ৌনা লুরবা তানফম অসিদা 'সি য়ৌনা ৱাখল তাদবা মীসু য়াওরিবোইরে! হোয়, অদুবুদি, ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা/থকপা হায়বসি থিংবা ৱারবা সোসল মেনাস অমা ওইরক্লিবসি ঙসি ঙারাংতগী নত্তেদনা। সী এম'না হায়বা ৱাদুদা, ঐনা নহান্না তৌহন্নীংলবা, নহান্না তৌফম থোক্লবা থবক অমা য়াওরি। লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সি হায়বা লৈঙাক্কী থৌমী কাঙলূপ অদুনা, হায়নরুবা নাইদনা তৌগদবা থৌদাংনি। খুদম ওইনা, কর্ফিয়ু থুগাইদুনা লন্বীদা লাকপা মীশিং ফারগা কোভিদ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা য়াওরন্মী হায়রিবদুনি। 'লৈকায়-লৈকায়, য়ূম-য়ূম চঙদুনা টেষ্ট তৌ য়াদবা মীশিংবুসু নমদুনা টেষ্ট তৌহল্লগনি... নমদুনা ভেক্সিন কাপথোক্লগনি... অসিগুম্বা নম্ফু অমা শীজিন্নদ্রগদি লায়না অসি কন্ট্রোল তৌবা ৱারগনি...' মখা তানা সী এম'না হায়খিবা ৱারোলদুগী অশম্বা ৱারোল অদুনি।

নম্ফুদা টেষ্টিং তৌগনি, পোজিটিভ ওইরবা মীশিংবু, য়ুমদা আইসোলেসন তৌবগী খুদোংচাবা লৈতবশিং কম্যুনিতি আইসোলেসন সেন্টরশিংদা লৈহনগনি... হায়বনচিংবদুদি থাগৎনীংই, প্রাক্টিকেবল ওই। অদুবু, য়ূম-য়ূমদা চৎলগা, মীশিংসিবু 'নমদুনা ভেক্সিন কাপথোক্লনি' হায়বা ৱাহৈদুমদি চীফ মিনিষ্টরগী চিন্দগী শোয়দুনা হায়দোকখিবা মাল্লি, ৱাহৈদুমদি হন্দোকহন্নীংই। ভেক্সিন কাপচগে হায়দুনা ওনলাইন রেজিষ্ট্রেসন তৌদুনা লৈরবা মীওই কয়া ভেক্সিন লৈত্রি/য়ৌরক্ত্রি হায়দুনা কাপ্পা ঙমদ্রিবনি। চহী ৬০ মথক্কী কোভিসিল্ড অহানবা দোজ কাপ্পগা, অনীশুবা (বুষ্টর) দোজ কাপকন্দবগী ঙাইনরিবসু কোঙ্গায়নি। অদুগুম্বা কোভিদ-ভেক্সিন অদুবু, কোয়তান তান্নরগা ফাদুনা নমদুনা কাপ্পীগনি হায়রক্লবা লৈঙাক্তুবু লৈবাক মীয়াম্না থাগৎলোইদ্দবগী মরম করি লৈ!

পাউ অসি তাবদা খ্বাইদই খোয়রাং খোয়শাউনরিবা, ইসেন্সিঅল সর্ভিসনি হায়না লাউথোকপীদ্রগসু, খ্বাইদগী মরু ওইবা সেক্টর অমদা থবক শূরিবা বেঙ্ক এমপ্লোয়ীশিংসিসু অমনি। কোভিদ-১৯ অহানবা ইথক্তুদা বেঙ্ক এমপ্লোয়ী লিশীং অমা হেন্না পুন্সি মাঙখি। অনীশুবা ইথকসিদনা মীওই ১৩০০ হেন্না শিখরে। মণিপুরদসু বেঙ্ক-এমপ্লোয়ী কয়া কোভিদ-ভিক্টিম ওইখ্রবনি। থোক্লবা য়াবা খুদোংথীবদগী কন্নবা, বেঙ্ক-এমপ্লোয়ীশিংগী ওইবা অখন্নবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা শীনবীনবা, য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্সকী কনভেনর'না এপ্রিল ২৩দা ষ্টেট লেভেল বেঙ্কর্স কম্মিটিদা চিঠি অমা ইখি। এস এল বি সী কনভেনর'না মে তারিখ অহুম'দা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ) দা অমুক ইখি। কনানসু চিঠিদুগী পাউখুম পীনি খনখিদে। মে ১০, য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্স'না, চীফ মিনিষ্টর মশামক্তা রিমাইন্দর অমা ইদুনা অমুক হায়জখি। অৱাবনি! ঙসি ফাওবা, ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম শীনবই ৱাদি তোকখিসি, কয়ারক হন্না হায়জববু, অহল মলন্না হায়নরম্বা 'শামু মথুন্দা পেনা খোংবা' হায়বা থৌদৌদুমক্কি তারিবা। লৈবাকসিগী ইকোনোমি-মিহুল লেপখিদনবা ষ্টেট খুদিংমক্কী লৈঙাক্না প্রাইওরিটি পীদুনা বেঙ্ক এমপ্লোয়ীশিংগী ওইবা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ পাঙথোকখ্রে। আসামদসু মে ২৬তগী বেঙ্কশিংগী ওইবা ভেক্সিনেসন দ্রাইভ হৌদোকখ্রে। জুন ২৮দা লোইগনি। ঐখোয়গী বেঙ্ক এমপ্লোয়ীশিংগী মাঙদনা ওপসন অনীখক লৈ। অহানবা ওপসন - হকচাং নুংঙাইরক্তুগা, কোভিদ পোজিটিভ রিপোর্ট ঙাইরগা, হোম আইসোলেসন নৎত্রগা হোস্পিটাল অমদা শেল তিংনা পোথারুবা! অনীশুবা ওপসন - টেষ্ট'তুদা নেগেটিভ ওইরল্লবা, পোজিটিভ ওইরক্ত্রিবফাও - লেপ্তুনা থবক শূথবা!

মরম অসিনা, বেঙ্ক'তা শিন্মী ওইরিবা কমরেদশিং! ষ্টেট গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ীশিংগা মান্নবা থাক্তা ইশাবু কৈদৌনুংদা য়েংবীরুনু। নম্ফুদা তোম-দিক এন্দ হেরি, মণিপুর লৈঙাক্না ভেক্সিনেসন তৌরবসু মণিপুরগী বেঙ্ক এমপ্লোয়ীশিংবুদি খন্দোক্তুনা অদুম থল্লমগনি।

লৌশিং পুক্কে

কোভিদ-১৯না নুপাশিংদা
ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন তৌহনবা ঙম্মী : ষ্টদি

কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা কোমোরবিদিটিশিং কোরোনাভাইরসকী অনীশুবা ৱেভকী মনুং অসিদা য়াম্না কম্মন ওইবা থৌওং অমা ওইরে। ব্লেক ফঙ্গস, হ্বাইট ফঙ্গস, হেপি হাইপোক্সিয়ানচিংবদগী হৌরগা ন্যুমোনিয়া ফাওবা য়াওনা কোভিদ-১৯ অসিনা হকচাংগী ওর্গান অয়াম্বা শোকহন্দুনা ঐখোয়বু তোঙান তোঙানবা লায়না কয়ানা য়াম্না লায়না শোকহনবা ঙম্বা ফিভম অমদা লৈহল্লে। হন্দক্তা অমুক নৌনা চথখিবা ষ্টদিশিংদা কোভিদ-১৯না ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন তৌহনবা ঙম্বগা লোয়ননা ফর্টিলিটিদা এফেক্ট তৌহনবা থেংনখ্রে হায়রি।

ইটলিয়ন নুপাশিংদা চথখিবা অনৌবা ষ্টদি অদুদা কোভিদ-১৯না কার্দিওভাস্কুলর সিষ্টেমদা অমাঙ-অতা থোকহন্দুনা ঈ উতোংশিং খূজিনহল্লি, মসিনা নুপাগী ইরেক্সনদা অকায়বা থোকহনবা থেংনখিবনি। ভাইরস অসিনা ওইহল্লকপা অনৌবা ভাস্কুলর কন্দিসন অসিগী মহে অমা ওইনা নুপাগী ফিনুংগী কয়াৎকী ঈ সপ্লাইদা ফুঞ্জিন্দুনা লৈবা নৎত্রগা খূজিনহল্লকপা ঙমই হায়রি।

ষ্টদি অদুগী রিজল্টশিংনা থেংনখি মদুদি, কোভিদ-১৯না ওইহল্লকপা এন্দোথেলিয়ল সেল দিসফঙ্কসনননা নুপাশিংদা ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন লাকহনবা ঙমই।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইন্দিয়াদা ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসনগী কেস কয়া থেংনবগী রিপোর্ট লৈরে। অদুমওইনমক, লৈবাক অসিগী ওইনা চপ চাবা রিজল্ট অমা পীবা ঙমগদবা ষ্টদি অমত্তা অকক্নবা হীরম অসিগী মতাংদা হৌজিকফাওবগী ওইন ইন্দিয়াগীদি পাঙথোকপা লৈত্রি।

নুপাশিংদা ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন থেংনরিবা অসিগী মরম অসি কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন মথন্তনা থোকহনবা নত্তে, অতোপ্পা মরমশিংনসু থোকহল্লি হায়বসু ষ্টদি অদুনা থেংনখি হায়রি। কেস কয়া অমদা ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন অসি পেন্দমিক্কা মরী লৈনবা ষ্ট্রেস, এঞ্জাইটি, নাইতোম তাবগী নুংঙাইতবা ফাওবা (লোনলিনেস) অমদি শেল-থুমগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা হায়রিবশিং অসিনসু থোকহল্লি। অসুম্না ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন তৌহনবা ফেক্টরশিংগী মতাংদা খন্নরকপদা মেন্টল হেল্থ ইস্যুশিংগী মতাংসু য়াওহনবা হায়বসি তঙাইফদে।

ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন অসি হাইপরটেন্সন অমদি দাইবেটিসকুম্বা কোমোর্বিদিটিশিং লৈবা নুপাশিংদনা হেন্না চাং ৱাংনা থেংনৈ।

লাইফষ্টাল হেবিটশিংদা হোংদোকপনা ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন মেনেজ তৌবদা মতেং পাংবা ঙম্বা য়াই। ইশাগী লোয়নবা/লোয়নবীগা অফবা মরী লৈনবা অমদি পোজিটিব মাইন্দসেট লৈবনা খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়রি।

আউটলুক জর্নেলদা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়া অসি মালেমগী ইম্পোর্টেন্সকী কেপিটেলনি হায়নরি। অদুমওইনমক মীওই অয়াম্বনা ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন হায়বা ৱাহৈ অসি তাবদা ইকাইবা হঙ্গৈইবা পোক্লরি অমদি হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী ৱাতাই শান্নবা অমদি খন্নবা নৈনবা তৌনদে। ইম্পোটেন্স হায়রগসু খঙনরিবা ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন হায়বসি ময়াম্না খন্নরিবা চাংদগী য়াম্না হেন্না নুপাশিংনা মায়োক্লে। ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন হায়বসি পিনাইল ইরেক্সন এচিভ তৌবা নৎত্রগা মেন্টেন তৌবা ঙমদবগী থৌওংনি, মসিনা নুপা নুপী য়ুম্বান মরী থম্নবদা অপেনবা পোক্তবা (অনসেটিসফেক্টরি সেক্স্যুএল ইন্টরকোর্স) থোকহল্লি। ঐখোয়গী লৈবাক অসিদদি ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন অসি মেদিকেল দিসওর্দর অমনি হায়না অনম্বনা লৌনদে, সেক্স্যুএল ইনকম্পিটেন্স ওইনা লৌনৈ। অয়াম্বা মতমদা মসিনা নুপী-নুপা অনীগী মরক্তা লৈবা মরীদা অকায়বা লাকহন্নবগী মরম ওইগল্লি, মসিদগী মশানা মশাবু থাজজদবা অমদি দিপ্রেসননচিংবসু লাকহল্লি। ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসনগী খুদোংচাদবা লৈবা নুপাশিং মহৌশানা মশাদা অনাবা অদু লৈরে হায়বা য়াজবা ঙমদে অমদি নুপা নুপী ওইবগী মরী থম্বগী থৌওং অদুদগী মপুঙ ফানা লাপথোকপা হৌরক্তুনা মখোয়গী মরক্তা নীংবা কায়বগী ফিভম অমা ওইহল্লকপা য়াই। চহী ৪০গী মথক্তা লৈবা নুপাশিংগী চাদা ৩০ রোম, অদুগা চহী তাঙ্কক খুদিংমক্কী ওইনা য়েংবদনা চাদা ২০ লোম্না ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসনগী খুদোংচাদবা মায়োক্লে হায়রি।

কনাগুম্বা মীওই অমা ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন লৈরে হায়না দাইগ্নোজ তৌরবদি মহাক্না ইহান হান্না তৌগদবা অসি দোক্টর অমদা তান্নবা হায়বসিনি, মরমদি ফিভম অসি অতোপ্পা হকশেলগী ওইবা প্রোব্লেম অমগী খুদম ওইবসু য়াই। থম্মোয়গী লায়নাশিং, শিংলিদা ঈ ফুঞ্জিনবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, কোলেষ্টরোল ৱাংবা, ঈশিং পুকচৎ (দাইবেটিস), এঞ্জাইটি, ষ্ট্রেস, দিপ্রেসন অমদি লাইফষ্টাইল হেবিটশিং খুদম ওইনা য়ু অমদি মৈখু কা হেন্না থকপা অসিনচিংবশিং অসি ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন তৌহনবা কম্মন ওইবা মরমশিংগী মনুং চল্লি।

ইলেক্ট্রিক পোষ্ট পৈথরক্তুনা ৱায়র চোন্থদুনা লৈবদগী লৌমীশিং মীপাইবা পোক্লরে

ককচীং, জুন ০১ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট পৱার কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এম এস পি সী এল) কী মখাদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী এলাংখাংপোকপীদা লৈবা ১৩২/৩৩ কেভিএ পৱার সব-ষ্টেসনদগী ৩৩/১১ কে ভি এগী সব ষ্টেসন অনী হায়বদি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী হিয়াংলম অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াং ইম্ফালদা মৈ পীনবগীদমক ৩৩ কে ভি এ লাইন পুরিবগী লৌবুক ময়ায়দা ইলেক্ট্রিক পোষ্ট পৈথরক্তুনা ৱায়র চোন্থদুনা লৈবদগী লৌমীশিং মীপাইবা পোক্লরে হায়রি।

লৌমী খরনা পাউচে অসিদা পাউ পীরকপদগী মফম অদুদা চঙশিনলুবা ঐখোয়গী পাউমীনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না হায়, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা টেজপুর খুল মনাক্তা লৈবা নুংঙু সনামহী লৌকোলদা লৈবা ময়াংলম্বম নিমাইচান্দ কৌবা মীওই অমগী লৌবুক্তা ইলেক্ট্রিক পোষ্ট মরি পূন্না য়ুংবা অদু চহী অনীরোমগী মমাঙদগী পৈথদুনা লৈরকখি। পোষ্ট অদু পৈথরকপা অদু নোংম-নোংমগী হেনজিল্লকপনা ৱায়র অদু চোন্থরক্তুনা লৈবাক য়ৌগদবা ফীট ৬/৭ রোমতমক ঙাইরে। লৌমীশিংনসু এম এস পি সী এল অমদি এম এস পি দি সী এলগী ষ্টাফশিংদা চিনহায় ওইনা শেন্বীয়ু হায়না ৱাকৎখিবসু লৈখ্রে। এম এস পি দি সী এলগী কাঙবুনদি মখোয়না শেমগদবা নত্তে, মখোয়গী থবক্কী মনুং চন্দে, মসিদি এম এস পি সী এলনা শেমগদবনি অদুবু মখোয়দা পাউদু পীখিগে হায়রম্লগা অদুম চৎখিবা ঙাক্ত ওইনা তৌই। এম এস পি সী এলগী কাঙবুনদি শেন্নরগনি শেন্নরগনি হায়রগা শেন্বীদনা লৈরকপা অসি চহী ২ রোম ফাজিল্লক্লে হায়রি।

মমাঙ চহীগী জুন ১৩দা টেজপুর মখা লৈকায়দা লৌ উকাই তকপদা ষণ লাবা অনী মৈনা চিংবদগী শিখিবা অমসুং ষণবুনা শোকপদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নখিবগী থৌদোকসু লৈখিবনিনা লৌমীশিংদা হেন্না মীপাইবা পোক্লরে। হৌজিকসু লৌ পানবা য়াবা মতম ওইরক্লবনিনা লৌ খোইবদা ত্রেক্টর চঙবা কিবদগী ৱায়র চোন্থদুনা লৈরিবা মফম অসি লৌ খোইবা য়াদদুনা লৈরি। করিগুম্বা উহৌদবদগী ত্রেক্টর চঙলুবা, মী চঙশিল্লুবা, শা-ষণনচিংবা চঙশিল্লুবা থোক্লবদি মীশি মীনা থোকপা য়াবগী ফীভম অমদা লৈহৌরি।

মফম অদুৱাইদা লৌ শূদুনা লৈরম্বা লৌমী খরনা ফোঙদোরকপদা ফৌ পানবগী মতম ওইরক্লবনিনা লৌ উবা, শূবা খরা খরা হৌনরে। নুমিৎ ২০নিগী মতুংদা লৌ ফজনা শূনরক্লগনি। য়ারগদি মরী লৈনবা লোয়শঙনা অথুবা মতমদা পৈথদুনা লৈরিবা ইলেক্ট্রিক পোষ্ট অসি চুমখৎপীয়ু অমসুং চোন্থদুনা লৈরিবা ৱায়র অসি চিংখৎপীয়ু হায়নসু মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

চান-থক্নবা পোৎলম তেংবাঙখ্রে

হৈরোক, জুন ০১ (ঐচএনএস) : ঙসি হৈরোক পার্ট টু কৈথেলদা লৈবা ফাইন সোসাইটি ক্লবনা কোনবা মফমদা মীওই অমা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মতুং, পাক্তক না ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা পাক শন্না টেষ্ট তৌবদা মীওই ২৩ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। মদুগী মখা তারকপগী ওইনা কোভিদ-১৯ থিংননবা পান্দমদা ক্লব অসিনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগা খূৎশম্নদুনা মমাঙ থাগী ২৫দগী জুন ২ ফাওবা টোটেল শটদাউন ওইনা লাউথোক্তুনা লৈরিবা মফম অসিগী চৎপা-থোকপা য়াদনা লৈরিবা য়ূমথোঙ ২৭৫দা ক্লব অসিগী ভোলুন্টিয়রশিংনা হৈরোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি কোভিদ-১৯ ফাইটিং য়ুনিটনা খূৎশিন্নরকপা চান-থক্নবা পোৎলম, চেঙ কেজি ৫, অচাথাও লিটর ১, থুম, হৱাই অমদি ঙারি লৈরক লৈরক্তা চঙদুনা য়েন্থোকখ্রে।

পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকপগা লোয়ননা ক্লবকী সেক্রেটরি এন দিলিপনা লাউদস্পিকর শীজিন্নদুনা হায়, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা ক্লব অসিনা কোনবা য়ূমথোঙ খুদিংমক চানবা পোৎলম য়ৌহঞ্জরক্লে, য়ূমদগী মপান থোকপীগনু, লৈঙাক্না পীবা চৎন-কাঙলোনশিং (খূৎ-শা তোয়না হামদোকপা, মাস্ক শীজিন্নবা, সেনিটাইজর শীজিন্নবা) ঙাক্না চৎপীয়ু হায়বগী পাউজেলসু পীখি।

চান-থক্নবা য়েন্থোকপা অদুদা হৈরোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটি কোভিদ-১৯ ফাইটিং য়ুনিটনা মতেং পাংলকখিবগীদমক ক্লবকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকখি।

সুর্মিলানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) : জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী বাবুপরাদা লৈবা জিরি ন্যুজ নেটৱর্ককী কনফরেন্স হোলদা মতম কুইনা জিরি ন্যুজ নেটৱর্ককী ন্যুজ এনকর ওইরম্বী ৱাই সুর্মিলানা রিমস হোস্পিটালদা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা ঙরাং লৈখিদ্রে। মহাক্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা জিরি ন্যুজ নেটৱর্ককী ষ্টাফ অমদি কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা মিনট ১ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা জিরি ন্যুজ নেটৱর্ক কম্মিটিগী প্রসিদেন্টে এম ব্রোজেননা হায়খিবদা, জিরি ন্যুজ নেটৱর্ককী মেম্বর ওইরম্বী ৱাই সুরমিলানা মনুং মতম চাদনা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা শেন্বীবা মপুগী খুয়া তানখিবদা জিরি ন্যুজ নেটৱর্ককী টিম অসিনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফাওই। মহাক্না লৈখিদবা অসি জিরি ন্যুজ নেটৱর্কতা নত্তনা মণিপুর পুম্বগী ওইনা অৱাৎপা অমা লৈহৌরগনি। লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোকখি।

নাকল অমরোমদা আর কে সনাতোম্বী বিদ্যালয়া জিরিবামগী স্কুলদা মণিপুরী সবজেক্ট অমদি ঈশৈগী ওজাসু ওইরম্বী ৱাই সুর্মিলানা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা স্কুল অসিগী মেনেজমেন্ট কম্মিটি, টিচর অমসুং নন টিচিং ষ্টাফনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে। স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল এস মনিতোননা অৱাবা ফোঙদোকপগী ৱারোল পীরদুনা হায়, ওজা সুর্মিলা ঈৎ-তম্পী, য়াম্না মবুক মপাউ ফবি ওজা অসিনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকচরি অমদি ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না ফোঙদোরকখি।

ভেক্সিনেসন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০১ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা ত্রান্সজেন্দর (নুপী মানবী অমসুং নুপা মানবা) শিংগী ওইবা কোভিদ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি লম্ফেল পাৎতা লৈবা আর দি ৱিংদা হৌদোকখ্রে।

ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসি নেসনল হেল্থ মিসন (এন ঐচ এম) গী মিসন দাইরেক্টরগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স) অমসুং আইটেক ইন্দিয়ানা সপোর্ট তৌবা মরুপলোয় ফাওনে দসননা চলাইবা ত্রান্সজেন্দর হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

হীরমসিগা মরী লৈননা ত্রান্সজেন্দর হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরগী কোওর্দিনেটর অমসুং ত্রান্সজেন্দর রাইটস এক্টিভিষ্ট বোনিতা পেবমনা ফোঙদোকখিবদা ভেক্সিনেসন সেন্টরশিং অমদি লৈকায় লৈকায়দা পাঙথোক্লিবা ভেক্সিনেসন কেম্পশিংদা ত্রান্সজেন্দরশিংনা চৎতুনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্নবা হোৎনবদা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোক্নবা অমদি ত্রান্সজেন্দরশিং অসি শুংশোয় শোয়দনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্নবগী পান্দমদা ভেক্সিনেসন কেম্প অসি পাঙথোকপনি।

মাস ভেক্সিনেসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ককচীং, জুন ০১ (ঐচএনএস) : কোভিদফ্রী ওইবা কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহনবগী পান্দমদা হিয়াংলম কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ডা. ৱাই রাধেশ্যামনা পায়খৎলকপা থবকশিংগী মনুং চন্না ঙসি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অরোং তেরাদা লৈবা হেল্থ এন্দ ৱেলনেস সেন্টরদা মাস ভেক্সিনেসনগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মশাগী চহী৪৫গী মথক্তা লৈবা মীওই ৮০০ রোমদা ভেক্সিন কাপথোকপগী পান্দমদা এম এল এ রাধেশ্যামনা কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী সেকমাইজিন্দগী নোংমাইখোং ফাওবগী কিলোমিটর ২০ মুক শাংবা মফম অসিদা নহালমখে ভেক্সিনেসন তৌনবা মফম লৈতবদগী হায়রিবা মফম অসিদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদুগী য়েংলগা ঙসিগী ভেক্সিনেসনগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। লোয়ননা মীয়াম্না ভেক্সিন কাপথোকপা মতমদা সোসল মীদিয়াদা শন্দোকপা অরানবা পাউশিংদা থাজবা থল্লগা হীদাক কাপ্পদা অকিবা লৈবা য়াওরিবা অসি তৌবীগনু। মদুগী মহুত্তা লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক য়াইফনবা পায়খৎলিবা থবক অসিদা থাজবা থমদুনা মতম চানা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। লোয়ননা মীয়াম্না তমথীরবা কোভিদ-১৯গী লায়না অসিবু থেংনবদা লৈঙাকখক্তদা ইন্থোক্তুনা থম্বগী মহুত্তা লৈঙাক্না পীরিবা এস ও পিশিং ঙাকপীয়ু অমদি কর্ফিয়ু মনুংদসু মরম চাদনা য়ূমদগী মপান থোকপা অমদি ময়াম পূনবগী থবকশিং অসি থাদোকমিন্নসি হায়খি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

এম এল এ, মিনিষ্টর, সোসল ৱার্কর অমদি ভোৎ লেপক্কদৌরিবশিংনা মতেং পাংবিবা থাগৎনিংঙাইহনি

কোভিদ-১৯ লায়চৎনা খম থেংনা ৱারবা মীয়ামদা এম এল এ, মিনিষ্টর, সোসল ৱার্কর অমদি ভোৎ লেপক্কদৌরিবা মীওইশিংনা চেং অমদি হৱায়নচিংবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং খরা-খরদং ওইরবসু য়েনবিরিবা অসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইহনি। অমরোমদা মীয়ামগী অৱাববু উবিদুনা মীয়ামদা চেং-হৱায় য়েনবিবদা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌবা মানবগী মওংদা য়েনবদৌনা তৌবিরিবা অসি য়েংবদা নুংঙাইজদে। মীয়াম্বু তশেংনা নুংশিবিরবদি খরা মওং তানা চপ মান্নবা মওংদা য়েলহন্নিংই। মীয়ামদা ফংহনবিরিবা পোৎচৈশিং অসি মীদিয়াগী থোঙদা নৎত্রবদি য়েনবিবা য়াদ্রবরা? অচুম্ববু তৌবিরবদি মীগী-মী ঙাক্তনি। মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী দিপ্যুটি সেক্রেটরিনা থোকখিবা ওর্দর অমনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা কোভিদকী লায়েংবদা শেল লৌবগী চাংসি লুপা লিশিং ১০ ফাওবা লেপ্পিরিবসি খরদংগা পীকথরগা লেপ্পিবা ওইরল্লবদি য়াম্না হৱাউগনি। নৎত্রবদি লায়েংলুরগা লৈতবা য়াওরকপদা শেল পীনিংঙাই লৈতদুনা আর্শিবাদ পীরমদুনা চৎনখিবা য়াই। প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা মরি লৈনবশিংনা খরা য়েংশিহন্নিংই। লাইচৎ অসি চীং-তম পুন্না অমুক্তং থিংনবা হোৎনমিন্নরসি।

❐ ওইনাম কঞ্জকেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

কার্দ পায়বশিংদনা শুপ্নগী চেং কেজি ৩/৪ খক পীবা অদুগা কার্দ পায়দবশিংদনা চেং পীবিদবসি পেন্দে



মে অমদি জুন থাগী ওইনা থা অমগী ওইনা চেঙ কেজি ৫/৫ য়েন্থোক্কনি হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ওর্দর থোক্তুনা লাউথোকখ্রবসু ষ্টেট অসিগী কেন্দ্র কয়াদা চেঙ য়েন্থোকই-য়েন্থোক্তে, চেং কেজি ৩/৪ খক য়েল্লি, কার্দ পায়দ্রবদি চেং পীবিদে, গভর্ণমেন্ট সর্ভিস তৌবা য়ূমদদি চেং পীদে হায়বগী ৱাথোক্তা মীওই কয়া খৎন-চৈনবা তৎতনা থোরক্লিবা অসি য়াম্না নুংঙাইতবা পোকই। হৌজিক ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কোভিদ লায়না অসিবু ঙাকথোক্নবা কর্ফিয়ু চল্লাইদুনা মীপুম খুদিংমক য়ূম-য়ূমদগী মপান থোকহন্দবনা মীপুম খুদিংমক চান-থক্নবা, মৈ-ঈশিং, গ্যাস, চেং-চাক, এঞ্জাং-নাপী কয়া ফংলক্তুদুনা হা-হা কানরবা মতমসিদা মীগা-মীগগী মরক্তা খেন্নবা থমদুনা চেং ফংহন্দবা তৌবিগনু। মালেম পুম্বগী তমথিরবা কোভিদ-১৯গী লায়না নেচরেল ক্লামিটিজ অসিদা অচান-মীরাই নাইদনা খেন্নবা থমদনা মীপুম খুদিংমক্তা চেং-চাক, এঞ্জাং-নাপীশিং মতম চানা শুনা য়েন্থোকপীয়ু। ঐখোয় পুম্বা লৈঙাক্না থল্লিবা কর্ফিয়ু অমদি কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোনশিং নিয়ম চুম্না ঙাক্না চৎনবা হোৎনসি। লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা অমত্তা ঙাইরবা উপায়দি য়ূমদগী মপান থোক্তনা চৎন-কাংলোন ঙাকপনি।

❐ সলাম জিতেন্দ্র, খুরাই চীঙাংবম লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা
hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২। ০৬। ২০২১ ইং, য়ুমশকৈশা;
কালেনগী ২৩ নি পানবা।

মেষ : পল্লম্বা শেল ফংজবা, থবকসু পাংবা ঙম্বা, লৌশিং চাওবনা হৈনা শিংনা হেন্না লন তানশিনবা ঙমজবা অমদি য়েক্লববু লাকশিনবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

বৃষ : চিংনবা খরা পোক্লসু নীংবা থুংজবা, হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎপা অমদি য়েক্লা তিংখং লৈতবা নুমিৎনি। য়াম্না খঙ হৈবদি শাগনু-কাইনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিথুন : পূক্নিং মকা খরদি লাম্লনি, মীয়ামগা মরীসু ফগৎলক্লনি অমদি নুংঙাইজগনি। অনম তান্নবদা অমদি হেন্না অশা চাওরুবনা মাঙজবা য়াবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনদি য়াম্না চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : শাওনিংবনা পোত্থাফম খঙদবা য়াওরক্কনি-তপথৌ। অদুবু থৌরম শিনবা হৈবনা অথোইবা মীংচৎ ফংজৌ হায়বদি লৈ। নক্লবগী ৱা লৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্নিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

সিংহ : পাউদি নুংঙাইতবা খরা তারসু নীংবদি চাওনা থুংগনি। তাকপি তন্বিবা ঙম্বা লৌশিং অথোইবা লৈ। শেন্দোং তানবা থবক্তা চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : পল্লম্বা শেল-থুম ফংজবা অমদি নীংবদুমক ওইথোকপা য়াবা নুমিৎনি। ফত্তবা ৱাখলদি থাদোকউ অমদি হুদৈ চেকশিল্লু। অঙম্বনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

তুলা : হকচাং খিংগনি, লম ফংগনি, মীয়াম্না চানগনি অমদি লাই-গুরুনা থৌজানবীগনি। নোল্লুক্না চৎচবা অমদি অরোনবা ঙাঙথোক্তবদি ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরীদি হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

বৃশ্চিক : হকচাং নুংঙাইরনি, অকিবা কোক্লনি অমদি য়েক্লবা লৈররোই। মরুপ মপাং নুংশিনবা হেল্লনি অমদি পল্লম্বা লন ফংবা য়াবা লৈরে-য়াম্ন ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু : হকচাং অমদি লৌশিং ময়েং তাবা নুমিৎনি। মরুপ মপাংসু থাজবা লুগনি অমদি ফংবা য়াবসু পনগনি। লাইবক ফবনা লম্ অমদা চাওনা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনগনি-লাংতক্লগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

মকর : অনম তানবা, নাইতোম ৱারেপ লৌবা অমদি হেন্না চরাংনবা তৌখিনু। য়ারগদি অনৌবা থৌরম পাংগনু অমদি লাই-গুরুগী ৱাতমক লৌবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা কাইনিংঙাইহনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কুম্বা : হরাওবা-নুংঙাইবা অমদি লাইবক য়াম্না ফবা নুমিৎনি। পল্লম্বা থবক থৌনা লৈনা পাংবা ঙল্লগনি। থবক থৌরম য়াৎপদি লৈবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিন : অশা চাওবা কান্নরোই অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি। য়েৎলম্বা অমদি ৱানা খাংলকপগী মহয়দি ফংজগনি। মরুপ মপাংগী ৱা-তাবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতাং চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।